


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, JUNE 18, 2017 **PAGE 7**




*আইসিসি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা শান্নগদৌরিবা লম্বা অনী ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মেটচ অদু য়াম্না নুংঙাইবা মেটচ অমা ওইগদৌরি হায়না ফোঙদোকখিবা ইন্দিয়ানা হোক্কি ৱার্ল্ড কপ টাইটল ফংবদা কোচ ওইখিবা হরেন্দ্র*

*নেদরলেন্দসতা পাঙথোক্লিবা রিকো ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভপু স্ট্রেট সেট অনীদা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা লুজেমবর্গকী গাইলস মুলর*

## ইন্দিয়াগী স্রিকান্থনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোবু থোইদুনা ফাইনেল চঙখ্রে, প্রনোই সেমিদা মায়থিহৌরে



*জার্কটা, জুন ১৭ ঃ*

ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং সিটি জার্কটাদা পাঙথোক্লিবা য়ুএস দোলর ১,০০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ইন্দোনেসিয়া ওপন সুপর সেরিজ প্রেমিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোবু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অমরোমদামেটচ অদুগী মাংওইননা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ঐচ এস প্রনোই জপানগী শান্নরোই কাজুমসা সাকাগী মখুত্তা মায়থিখ্রে।

জর্কটাগী কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকপা ইন্দোনেসিয়া ওপন সুপর সেরিজ প্রেমিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ঐচ এস প্রনোই অমসুং জপানগী কাজুমসা সকাইনা লম্বা তৌনখি।

পনবা য়াবদি ৱার্ল্ড নম্বর ২৫ ওইরিবা প্রনোইনা ওলিম্পিকক্কী সিলভর মেডালিষ্ট মালেসিয়াগী শান্নরোই লি চোং ৱৈবু মায়থিবা পীরম্লবা মতুং ক্বার্টর ফাইনেলদা ওলিম্পিক্কী গোল্ড মেডল ফংবা ঙখ্রবা চাইনাগী চেন লোংসু থোইরম্লগা ঙসি জপানগী কাজ ুমাসা সকাইগা লম্বা তৌনরকপদা য়াম্না মান্নবা মশান্নদা গেম ১–২ দা মায়থিবা নংখি।

প্রনোই অমসুং সকাইগী সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম প্রনোইনা ২১–১৭ দা থোইখি। মদুগী মতুং সকাইনা অনীশুবা গেম অদু য়াম্না ৱানা ২৮–২৬ তা থোইরগা অহুমশুবা গেম অদুসু ২১–১৮ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ অমসুং ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা গেম অদু স্রিকান্থনা কা হেন্না ৱাদনা ২১–১৫ দাথোইখি। অনীশুবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী স্রিকান্থকী মায়কৈদগী অশোয়বা কয়া য়াওখিবনা মরম ওইরগা সাউথ কোরিয়াগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা অমদি টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই সোন ৱান হোনা ২১–১৮ দা থোইদুনা দিসাইদিং গেম শান্নবগী মথৌ তাখি।

দিসাইদিং গেম অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অমনা অমবু লাকশিন্নবা হোৎনরকখি। মদুগী ফলনা পোইন্ট ২০ য়ৌরবা ফাওবা শান্নরোই অনীগী লম্বা মান্নবদগী মখা তাবা পোইন্ট ২ লৌননা কন্না হোৎনরকখি। ইন্দিয়াগী স্রিকান্থনা লুরবা তানফমদা মহাক্কী মশা খিংবগী মতেংনা মপুং ওইরগা কোরিয়াগী সোন ৱানবু ২৪–২২ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা ফাইনেলদা জপানগী কাজ ুমাসা সকাইগা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা জপানগী শান্নরোই সায়াকা সাটো অমসুং সাউথ কোরিয়াগী সুন জি হ্যুনগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

জপানগী সাটোনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা থাইলেন্দগী নিটচাওন জিন্দাপোলবু ১৩–২১, ২১–১৮, ২১–১৪ দা থোইরমখি। অদুগা সাউথ কোরিয়াগী সুন জি হ্যুননা মালেসিয়াগী ৱৈৱেন ঝাংবু ২১–১০, ৮–২১, ২১–১০ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

## ইন্দিয়ানা কানাদাবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা হিরো হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ সেমি ফাইনেলগী পুল (বি) দা মকোক থোংবা ঙমখ্রে



*লন্দন, জুন ১৭ ঃ*

মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংনা শরুক য়াদুনাপাঙথোকপা হোক্কি ৱার্ল্ড লীগকী সেমি ফাইনেলগী থাক য়ৌরকপদা ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা ঙসি শান্নখিবা পুল (বি) গী মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা কানাদাবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা পুল অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

ঙসি ইন্দিয়া অমসুং কানাদানা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চনখিবা পাঞ্জল ৩ মক অহানবা হাল্ফতা চনখিবা ঙাক্তনি। মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী সুনিল সোমরপেটনা শুপ্পগী মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই অকাসদিপ সিংহনা সোমরপেটকী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ৫ লৈরগা মেটচকী অহানবা হাল্ফকী ১০ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা কানাদাবু য়াম্না ঙন্না অহানবা ক্বার্টর অদুদা পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পনবা য়াই হৌজিক–হৌজিক ইন্টরনেসনেল হোক্কিগী চৎন–পথাপকী মতুংইন্না সেনিয়র নুপা অমসুং নুপীগী মেটচ অমদা অপুনবা মিনট ৬০ না শারগা অহানবা অমদি অনীশুবা হাল্ফতা মিনট ১৫ /১৫ গী ক্বার্টর ৪ থোক্লা শান্নরক্লি।

ইন্দিয়ানা অহানবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ২–০ দা হেনখ্রবা মতুং অনীশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী সরদার সিংহনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা ১৮ শুবা মিনটতা চন্দুনা কানাদাবু ৩–০ দা থোইখি।

হিরো হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ সেমি ফাইনেলগী ঙসি ইংলেন্দদা শান্নখিবা পুল(এ) গী মেটচ অমদা চাইনানা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ৫–২ দা মায়থিবা পীখি।

চাইনাগী মায়কৈদগী সু এল পাঞ্জল অমা, সু জেনা পাঞ্জল অনী, টিম অদুমক্কী ই এলনা চনখিবা পাঞ্জল অদুগী মখা তাবদা গুও জেটনা ৫০ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা চাইনাগী অপুনবা পাঞ্জল ৫ অদু ওইখি।

অমরোমদা সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী য়াংনা অহানবা হাল্ফকী ১০ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবা অমদি টিমমেট হুৱাননা ৪০ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখ্রবসু উপায় লৈখিদে।

## অরোইবা রাউন্দদা আনন্দ দ্রো চৎখ্রে, নোরৱে চেছকী টাইটল আরোনিয়াননা লৌখ্রে

*ষ্টাভেনগর, জুন ১৭ ঃ*

নোরৱেগী সিটি ষ্টাভেনগরদা চৎখরিবা ওল্টিবোক্স চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা অমদি ৯ শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা বিস্বানাথন আনন্দনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু নোরৱেগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান মেগনস কার্লসনগা দ্রো চৎখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা অর্মেনিয়াগী লেভোন আরোনিয়াননা টাইটল লৌখ্রে।

৯ শুবা রাউন্দ অদুদা ইন্দিয়াগী বিস্বানাথন আনন্দনা মেগনস কার্লসনগা দ্রো চৎতুনা হান্না ৮ শুবা রাউন্দদা ফংখিবা পোইন্ট ৩.৫ অদুদগী পোইন্ট মখায় হাপচিল্লগা পোইন্ট ৪ ফংলগা ৮ শুবা পোজিসন তাখি।

অতোপ্পা ৯ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অর্মেনিয়াগী লেভোন আরোনিয়াননা য়ুএসএগী ৱেসলি সোগা শান্নবদা দ্রো চৎতুনা আরোনিয়াননা হান্না ফংখিবা পোইন্ট ৫.৫ অদুদগী পোইন্ট মখায় অমা হাপচিল্লগা পোইন্ট ৬ ফংলবা মতুং টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

য়ুএসএগী হিকারু নকামুরা অমসুং রুশিয়াগী ব্লাদিমির ক্রামনিক্না ৯ শুবা রাউন্দ অদুদা মথংশিংনা য়ুএসকী ফাবিয়ানো করোনাগী মখুত্তা মায়থিখিবা নেদরলেন্দসকী অনিস গিরিবু থোইখিবা অদুনা মরম ওইরগা পোইন্ট ৫ / ৫ ফংদুনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

## মার্সেদিজ ওপন টেন্নিসকী ফাইনেলদা লোপেজ অমসুং পোলি থেংনরগনি

*ষ্টুটগার্ট, জুন ১৭ ঃ*

জর্মনিগী সিটি ষ্টুটগার্টদা পাঙথোক্লিবা মার্সেদিজ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজ অমসুং ফ্রান্সকী লুকাস পোলি থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা মার্সেদিজ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা সেমি ফাইনেলদা জর্মনিগী মিস্কা জ্বেরেভ অমসুং স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজগা লম্বা তৌনরকপদা লোপেজনা ৬–৭(২–৭), ৭–৬(৭–৪), ৭–৫ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ফ্রান্সকী শান্নরোই অনী লম্বা তৌনবদা লুকাস পোলিনা টিমমেট বেনোট পাইরিবু ৭–৬(৭–৫), ৭–৫ দা থোইদুনা ফাইনেলগীদমক শেমশাখি।

নেদরলেন্দসকী রোজমালেনদা চৎখরিবা রিকো ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী ফাইনেলদা রুশিয়াগী নটালিয়া ভিখলিয়ানসেভা অমসুং ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভেটকা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াই রুশিয়াগী নটালিয়ানা সেমি ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী অনা কোঞ্জুবু ৬–৩, ৭–৫ দা থোইরমখি। লোয়ননা অতোপ্পা লম্বা কনখিবা সেমি ফাইনেলদনা ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভেটনা য়ুক্রেনগী লেজিয়া সুরেনকোবু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌখি।

ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভেটতা য়ুক্রেনগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৭ শুবা সিদেদ ওইরিবী লেজিয়া সুরেনকোবু ৬–৩, ৬–৭(০–৭), ৬–২ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা রুশিয়াগী নটালিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।


# শক্তি শিন্নবগীদমক হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা (দিভ্যাংজন) শিংদা

## রাইটস ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজ এক্ট, ২০১৬ অসি এপ্রিল ১৯, ২০১৭ তগী চৎনবা হৌখ্রে

সেন্ট্রেল রুল অসি এক্ট অসিগী মখাদা চৎনরগনি হায়না ২০১৭ গী জুন ১৫ দা নোটিফাই তৌখ্রবনি

**এক্ট অসিগী মপুং ওইবা থৌরাংশিংঃ**

i. হৌজিক লৈরিবা হকচাংগী ফিভমদা মীমান্নদ্রবশিং অসি ৭ তগী ২১ দা হেনগৎলে।

| | | |
|---|---|---|
| লেপ্রোসি লায়নাদগী ফহল্লবা কাঙবু | মল্টিপল স্কেলেরোসিস | মীৎ উদবা |
| না তাথিবগী মওংশিং | সিক্কল সেল দিজিজ | ৱাংবগী চাং য়াওদবা |
| তাক্লিবা পরাশিং খঙবা ঙমদবশিং | পার্কিন্সন্স দিজিজ | মীৎ শেংনা উবা ঙমদবা |
| ৱা ঙাংবা অমসুং লোন খঙবা ঙমদবা | ইন্টিলেকচুয়েল দিসএবিলিটি | থালাসেমিয়া |
| মতম শাংনা লৈরক্লবা ন্যুরোলোজিকেল কন্দিসনশিং | মস্কুলার দাইসট্রোফি | হিমোফিলিয়া |
| না তাথিবা (না পংবা অমসুং শেংনা তাদবা) | এসিদ এটেক ভিক্তিমশিং | ৱাখলগী লায়নাশিং |
| না তাথিবগা লোয়ননা মীৎ উদবা য়াওনা মীমান্নবা ঙমদ্রবশিং | লেকোমোটোর দিসএবিলিটি | সেরিব্রেল পালসি |

ii. হায়রিবা মীওই মখলশিং অসিগী গভর্নমেন্টকী থবক চঙবদা রিজার্বেসনগী চাং অসি চাদা ৩ ওইরম্বদগী চাদা ৪ দা হেনগৎলে।

iii. প্রাইম মিনিষ্টরগী সুগম্যা ভারত অভিয়ান (এসেসিভল ইন্দিয়া কেম্পেইন), হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবগীদমক (গভর্নমেন্ট অমসুং প্রাইভেট) কী ওইনা লৈরিবা মীয়ামগী বিল্ডিংশিংদা চঙহনবা, ত্রান্সপোর্টেসন অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ কম্যুনিকেসন টেক্নোলোজি (আইসিটিসি) দা চঙবা য়াহনবা।

iv. মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা হকচাংগী ফিভমদা মীমান্নদ্রবা অঙাং (চহী ৬ তগী ১৮) ফাওবদা লৈরিবশিং লেম্না লাইরিক–লাইশু তমহনবগী হক।

v. গভর্নমেন্টকী অৱাংবা থাক্কী এদুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং ভারত সরকারগী মতেং লৌরগা লিংবা হায়র এদুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা চাদা ৫ মখোয়গীদমক রিজার্বেসন পীবা।

vi. এক্ট অসিগী প্রোভিজনশিং থুগাইরকপশিং দন্দি পীনবা আইনশিং।



*পুম্নমক শোয়ননা চৎমিন্নবা,*
*মীওই খুদিংমক মশাগী তৌবা ঙম্বশিং উৎথোক্নুনা হিংনবা...*

davp 38117/13/0019/1718

**দিপার্টমেন্ট ওফ ইম্পাৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজ (দিভ্যাংজন)**
মিনিষ্ট্রি ওফ সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইম্পাৱারমেন্ট
গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
www.disabilityaffairs.gov.in, www.socialjustice.nic.in
www.pmindia.gov.in, www.mygov.in

Department of Empowerment of Persons with Disabilities (Divyangjan)
Ministry of Social Justice & Empowerment

Accessible India Campaign
Accessible India - Empowered India
Department of Empowerment of Persons with Disabilities (Divyangjan)
Ministry of Social Justice & Empowerment